## এডিটোরিয়েল

### লম্বীদা মীৎয়েং চঙদবদি ফত্তে

মণিপুরগী লাইফ লাইননি হায়না খঙনরিবা লম্বী অনি অসি ইম্ফাল – ডিমাপুর লম্বী অমদি ইম্ফাল–জিরিবাম লম্বী হায়রিবা নেসনেল হায়ৱে অনি অসিনা মসি নত্তবা মণিপুরদা লৈবা নেসনেল হায়ৱেশিংদি লম্বীগী খুদোংচাদবা কয়া লৈবা মরম্না লাইফ লাইননি হায়না লৌবা য়াদে। মসিগী মথক্তা মণিপুরদা পুশিল্লক্কদবা পোৎলমশিং অসিগী মরুওইনা লৈরিবা ষ্টোর হাউসশিং অসি অয়াম্বনা গুৱাহাটি, দিমাপুর অমসুং সিলচরগা থংননা লৈরিবা জিরিবামদা লৈরিবা ষ্টোরেস হাউসশিং অসিনি। হায়রিবা লম্বীশিং অসিগী মনুংদা অমা অথিংবা নৎত্রগা য়াদবা লৈরকপা মতমদা অলটরনেটিপ রূদ ওইনা লৈরিবা অসি ইম্ফাল–জিরিবাম লম্বী অমসুং ইম্ফাল–ডিমাপুর লম্বী অসিখক্তনি। মসিদা হন্দক সরকারনা পায়খৎখিবা থৌরাং অমদা ইম্ফাল –ডিমাপুর লম্বীগী মণিপুররোমদা লৈবা লম্বী শরুক অসি হান্না লৈরম্বা ফীমদগী য়াম্না কা হেন্না ফরবা লম্বী অমা হায়বদু ওইরে। মমাঙদা হায়রিবা লম্বী অসিগী নাগালেন্দগী শরুক্তা লৈরম্বা লম্বী মশাং অদু য়াম্না ফগৎনা শেমখিবনি অদুবু লম্বী অসি মখা তানা শেম্বিখিদবা মরম্না হৌজিক্তি খ্বায়দগী ফত্তবা লম্বী অমা হায়বদু ওইরে। মসিগী মথক্তা হায়রিবা নেসনেল হায়ৱে অসিদা মখল মখা কয়াগী দিমান্দ অমসুং লম্বী অসিদা সার্ভিস তৌরিবা গাড়ীগী মীওংশিংদা কা হেন্না অপনবা কয়া পীরকপদগী লম্বী অসি মরক –মরক্তা শীজিন্নবা য়াদবা লম্বী অমগুম অদুমক লৈরক্লি। হৌজিক হৌজিকসু হায়রিবা ইম্ফাল–ডিমাপুর লম্বীদা চেল্লিবা গাড়ীশিংদগী লেপ্পা লৈতনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকা শান্তিগী ৱারী শান্নরিবা লালহৌলুপ অমনা ইল্লিগেন ওইবা মওংদা লেপ্তুনা শেনখাই থুমখাই কয়া চখরকপদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টনা অথিংবা অমত্তা পীবা ঙমদনা লৈরি। মরমসিদগী লম্বীসিদা নাগালেন্দগী ষ্টেট মনুংদা লৈরিবা লম্বীদা মণিপুরগী মীয়াম্না তঙাইফদবা পোৎলম কয়া অমা চিংশিল্লকপা মতমদা অপনবা কয়া অমা লৈরি হায়বসি সরকার অসিনসু খঙদুনা লৈরবা ফিভম অমনি। অসিগুম্বা মওং অসিদা ত্রান্সপোটরশিংনা মরুওইনা খন্নদুনা লৈরিবা লম্বী অসি ইম্ফাল –জিরিবাম অসিনি। মসি শেমগৎনবা হোৎনবদা মণিপুরগী ত্রান্সপোটশিংগী লুপশিংনা অচৌবা থৌদাং অমসু মমাঙদগী লৌদুনা লাক্লি। মসিমক্তদা লম্বী অসি চপ চানা চেনবা য়াবা লম্বী অমা হায়বদু ওইদ্রি হায়না লৌবা য়াই। ইম্ফাল–জিরিবাম লম্বী শেম্মনবগী দাইত্ব অসি বোদর রোড ওর্গানাইজেসন (বি আর ও) অমসুং বি আর টি এফ না লৌদুনা লাকখিবনি। মসিগী মতাংদসু ষ্টেট গভর্নমেন্টনা কয়ারক হন্না ৱাকৎলবা ফাওবদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা মখোয়গী ফিরেপ অদু হোংদোক্তনা ঙসি ফাওবা লৈরি।

লম্বী অসি ২০১৩ দা চপ চানা শেম্বা লোয়গনি হায়না থাজবা পীখ্রবসু লম্বীসিদা ওইরিবা ফিভমদি শেম্বা লোয়বদি লায়রদনা থবক শীন্নরিবা ওর্গনাইজেসন অদুনা থবক তৌদ্রে হায়বসি চপ চানা খঙলবা অমনি। মসিদগী লম্বীসিদা লৈরিবা য়াম্না মরুওইবা মক্রু থোং বি আর ও না শেমদবনা মরম ওইরগা অমসুং মখোয়না মতম–মতমগী ওইনা শেমলিবনি হায়না পাল্লিবা অমসুং শীজিন্নরিবা উপাকশিং অদুগী অথাবা য়ৌদবনা মরম ওইরগা মণিপুরগী ত্রান্সপোটশিংগী মরুওইবা লুপ অমা ওইরিবা ত্রান্সপোর্টস এন্দ দ্রাইভরস কাউন্সিলনা মরন্নাই ওইনা অচৌবা শেনফম অমা পুথোক্তুনা মক্রু থোংগী ৱাংমদা লৈরিবা গাড়ীশিং চখোক–চৎশিন তৌবা য়াহন্নবা চপ চাবা সাইজকী উপাকশিং অমদি রন্নর ওইগদবা চৌভোরশিং চপ চানা পুদুনা শেমজিল্লগা হন্দক জিরিবাম লোমদগী লাকপা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরগী পোৎ–চৈ পুরকপা গাড়ীশিং লাম্হোকহনবগা লোয়ননা জিরিবামলোমদগী পোৎ চিশিল্লক্কদবা গাড়ী কয়া লাম্হোক লাঞ্জিন তৌনবা চপ চাবা থৌদাং অমা লৌখি হায়বসি সরকার অসিনা অমসুং সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী লৈরিবা মিনিষ্ট্রি সর্ফেস ত্রান্সপোট না খঙফম থোকই। মসি খঙদবা তারগদি মণিপুরদা লৈরিবা লুপশিং অসিনা হায়রিবা লম্বী অমসি শেমবগী থৌদাং লৌরিবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা শীন্নখ্রবা ওর্গনাইজেসন অদুগী মথক্তা এক্সন লৌবা তাবনি। মসিদা থোক্লকপা অফা–ফত্তগী দাইত্ব অদুদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লৌবগা লোয়ননা মথৌ তৌদ্রবা অমসুং তৌবদা শোখরিবা লম্বী অসি শেম্মনবা লৈরিবা অমসুং দাইত্ব শীন্নখ্রবা ওর্গনাইজেসন অসিগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন অমা লৌনবা থৌরাং তৌবা চুমগনি। মখোয়না লম্বী শেম্বগী য়ান্নবা শেনফম অমদা থবক শুখ্রবনিনা মখোয়না শেম্বগী মহুত্তা লনাই ত্রান্সপোটরশিংগী ওর্গনাইজেসন অমনা শেমখ্রবনিনা মদুদা চঙখিবা শেনফম অদু ত্রান্সপোটরশিংগী কাউন্সিল অমা ওইনা দ্রাইভর অমসুং গাড়ীগী মীওইশিংগী খল্লগা থবক তৌখ্রিবা লুপ অদুদা লম্বী অমসুং থোং শেম্বদা চঙখিবা শেনফম অদু চপ চানা হঞ্জিন্নবা হোৎনফম থোকই। মসিদি হায়রিবা কাউন্সিল অসিগী ফন্দদা অদুমক লৈজগদবা শেনফম্নি অমসুং কাউন্সিল অসিগী চাউখৎ থৌরাংদা শীজিন্নগদবা শেনফম অমনি হায়বসি খঙনা থবক তৌবা তাই। মসিগী মতাংদা লাকপা থবক খুদিংমক্কী অমসুং দিভেলবমেন্ট খুদিংমক্কী মতাংদা চঙলিবা শেনফম অদু হন্দোকহন্ননবা বোদর রোড ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা বি আর টি এফ কী লৈরিবা ওফিসিয়েলশিংদা চপ চানা খঙহল্লগা মখোয়দা শীন্নখ্রবা শেনফম অদুদগী চঙখিবা শেনফম অদু হন্দোকহন্নবা অমসুং শেনফম অদুমক কাউন্সিল অসিদা শীন্নহনবা পোরম অমা য়াৎপা তাবনি। ইম্ফাল–ডিমাপুর লম্বীসু খুদোং চাদবা ফীভম অমদা লৈবা অদুগা ইম্ফাল–জিরিবাম লম্বীনা চিফেৎ–চিফেৎ নাবগী লায়না অমদা লৈবা তারগদি চারা হেনগদৌরিবা অসি মণিপুরগী মীয়ামনি। মসিদা মণিপুর সরকারগী লৈরিবা মীয়ামগী লুচিংবশিংনা নৌনা এফ সি আই গী রিজনেল ওফিস অমা হাংলিবসি মণিপুর মীয়ামদা ফুদ সেক্যুরিটি লৈহন্নবা হোৎনবা খোঙথাংনি হায়বসি ফেল ওইনবা মরম অমা শোইদনা ওইগনি। থৌরাং অমা পায়খৎলগদি মদু চপ চানা থবক্তা ওন্থোকপা য়ানবা তঙাই ফদনা চঙলিবা ত্রান্সপোটেসনগী থবক অসিদা হেন্না মীৎয়েং চংবগী মথৌ তাই। মসিদি এফ সি আইনা তৌগদবা থবক নত্তে। ষ্টেট গভর্নমেন্টনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগা চপ চানা খন্নরগা লম্বীশিং অসিদা লৈরিবা খুদোং চাদবশিং অদু কোকহনবগা লোয়ননা পীরকপা অথিবা খুদিংমক অদুগী দাইত্ব লৌফম থোকই। ওইরিবা ফিভম অসিদা য়েংলগদি ত্রান্সপোটর কয়া অমনা এফ সি আইগী ওইনা লৈজরগসু মখোয়না মথৌ তৌদবদা এফ সি আইগী মায়কৈদগী এক্সন লৌদ্রে হায়বসি মওং অমদদি অরানবা ৱাখল্লোন ওইগনি। মসিদা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টনা মখোয়গী তৌফম থোকপা থবকশিং অদু তৌখিদবা অমদি শান্তিগী ৱারী শান্নরিবা লুপশিংগী থৌওং কয়া অদু থিংবা ঙমদবদি থোক্লকপা ফিভম অমনি হায়না লৌবা তাই। মতাং অসিদা মণিপুর সরকারগী অচৌবা দাইত্ব অমা শোয়দনা লৈগনি হায়বসি মরী লৈনবা মীয়মাগী মীহুৎ অমদি দিপার্টমেন্টনা খঙফম থোকই। মদু নত্তবদা ইরায় লাইনা মতম–মতমগী ওইনা ওইরক্লিবা ফিভমশিং অসি সোল্ব তৌনবনি হায়দুনা ৱাফম কয়া ফোংদোক্তনা অমসুং লৌখৎফম থোকপা এক্সন কয়া লৌখত্তনা থাদোকখিবা তারগদি হান্নগী ফিভম অসিদগী করিগুম্বা মওং অমত্তা হেনগৎপা লৈতনা হায়রিবা লম্বীশিং অসিদা দিভেলব অমত্তা লৈতনা অদুমক লৈখিগনি। অমসুং লম্বীশিং অসি শেমজিন শাজিনবগী থবক্তা করিগুম্বা মচি অমত্তা লেঙবা ঙমদনা হান্নগী ফিভমদা অদুম লৈবা তাবনি হায়বসি খঙহন্নিং অমসুং কোক্লনবা খনথহন্নিংই।

# ষ্ট্রিট ভেন্দর্স এক্ট ২০১৩ চৎনহনবগী তঙায়ফদবা

লায়রবশিং অমসুং শিন্মী–থৌমীবু য়াইফহনবদা য়ুম্ফম ওইবা ''ড ষ্ট্রিট ভেন্দর্স (প্রোটেক্সন ওফ লিবলিহড এণ্ড রিগুলেসন ওফ ষ্ট্রিট ভেন্দিং) বিল অসি সেপ্টেম্বর ৬, ২০১৩ দা লোক সভাদা অয়াবা পীখ্রবসু, কাঙলোন কয়াদা অশোয়বা লৈবনা অমসুং ষ্টেট লৈঙাক খরনা অশোয়বগী খুদোংচাবা লৌদুনা থবক ওন্থোকপা ঙমদনা লৈরি। হৌজিক মাঙদা তারিবা মরুওইবা ৱাফমদি, সহর লম্বী মতাইগী পোৎফম ফম্বশিং (ষ্ট্রিট ভেন্দর্স)বু চৎন–পথাপ্পা শকখঙবিবা (লিগেল রিকোগনিসন) লৈত্রিবা অসিনি। অসুক্কী মতিক মরুওইখ্রবা বিল অসি এসইডব্লিয়ুএ (সেল্ফ ইমপ্লোইদ ৱুমেন্স এসোসিয়েসন) অমসুং নাসভি হায়রগা খঙনবা এন এ এস ভি আই। নেসনেল এসোসিয়েসন ওফ ষ্ট্রিট ভেন্দর্স ওফ ইন্দিয়া) নচিংবা খুন্নাইগী লুপশিংনা পোৎফম ফম্বশিংবু চৎন–পথাপ্পা কাঙলোন চুম্না শকখঙবীনবা হৌখিবা মীরোল অমা হেন্না ময়োল লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। মসিদগী নেসনেল এডভাইজরি কাউন্সিলনা ৱাকৎ অদুবু লৌখৎখি অমসুং চৎন–পথাপ কাঙলোন শেম্মবা থবক পায়খৎপা হৌখি। হীরমসিদা থবক পায়খৎপগী লুচিংবা (নোদেল এসেন্সি) ওইরিবা মিনিষ্ট্রি ওফ হাউসিং এণ্ড অর্বান পোভর্টি এলিলিভিয়েসন (ঐচয়ুপিএ) না বিল অসিগী মায়কৈদা লৈরবসু, ময়োন লৈঙাক্লা পুথোকপা চৎন–পথাপ অসি লোকেল বোডিশিংগী তৌঙম্বা পাঙ্গল মনুংদা লৈখিগদবা মরম্না বিল অসিদা অশোয়বা কয়া লৈরি। হায়রিবসি উৎলি। বোডিশিং অসিবু ঈথিল পীবা ঙমগদবদি ষ্টেট লৈঙাকখক্তনি।

অসুম্না ৱায়েৎ পীনরকপা লৈরি মদুদি– লম্বী মতাইদা পোৎফম ফম্বা হায়বসি সহর লম চাওখৎহনবগী মীৎয়েং ওইনা লৌরোইদবনি, মদুগী মহুত্তা পুন্সিবু হিংহনবগী ৱাফম ওইনা লৌগদবনি হায়বসিনি। অতোপ্পা চৎন–পথাপ এম জি এন আর ই জি এ অসি ময়োল লৈঙাক্লা অয়াবা পীদুনা চৎনহনখিবনি অদুগা পুন্সি হিংনবগী ৱাফম ওইবনা লোকেল বোডিশিংগী খুথাংদা থবক ওন্থোকহনখিবনি। অসুম্না সহর লম্বী মতাই পোৎফম ফম্বগী চৎন–পথাপ অসি এম জি এন আর ই জি এগা চপ মান্নে হায়না লৌবা য়াই। মসিগী মরম্না, চৎন–পথাপ অসি অরোইবা ওইনা শেমদোক–শেমজিন তৌদুনা পুথোকখিবনি।

নেসনেল পোলিসি ওফ অর্বান ষ্ট্রিট ভেন্দর্স – ২০০৯ অমসুং ষ্ট্রিট ভেন্দর্স (পিএলআর এসভি) বিল–২০১২ না ফোঙদোকখিবদা সহর লমগী মীওইশিংগী চাদ ২.৫ খক্তনা লম্বী মতাইগী পোৎফম ফম্বা য়াওরি হায়বসিনি। অরেম্বা মীশিংগী চাং অসি খুঙ্গংলম অমসুং অতৈ মপালগী মীওইশিং য়াওরি। মসিনা তাকপদি, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অসিগী অয়াম্বা মীওইশিং অসি মশাগী হৈ–শিংবা (স্কিল) কয়া লৈজদবা অমসুং খুঙ্গংলমগী থবক নৎত্রগা শেন্দানবা লাকপা মীওইশিংনি। হায়রিবা মীওইশিং অসিনা হিংনবগী পাম্বে অতৈ লৈতবদগী লম্বী মতাইদা পোৎ য়োল্লকপনি। শিনফম অসিদগী কারকপা চাকা য়াম্না নেল্লবসু, ত্রেনিং নৎত্রগা স্কিল মথৌ তাদে অমসুং শেনপোৎ য়াম্না পীকই। মতৌ অসুম্না, নুপা নৎত্রগা নুপী ওইসনু, লম্বী মতাই পোৎফম ফম্বনা পুন্সি হিংনবগী খ্বাইদগী লায়বা লম্বী ওইরি।

অদুগা অতোপ্পা মখলগী মীওইশিংনা লম্বী মতাইদা পোৎফম ফম্বসু য়াওরি। মম্বাই, আহেদাবাদকী টেক্সটাইল মিলশিং অমসুং কোলকতাগী ইঞ্জিনিয়ারিং ফার্মশিংদা থবক তৌবা–তৌবী মীওইশিংনা ষ্ট্রিট ভেন্দর ওইবসু য়াওরি। ফার্মশিং অসি শিথরকপা নৎত্রগা থোঙ লোনখিবদগী হিংনবা পাম্বে থিরকপদা লম্বী মতাইদা পোৎ য়োনবা তারকই।

হাওবা

লম্বী মতাইদা পোৎ হাদুনা য়োনবা (হোকিং) অসিনা মনা–মশীং থারিবা লৌমী অমসুং পোৎলমশিং পুথোক্লিবা ইন্দষ্ট্রিশিং চাওখৎহল্লি। চান–থক্লবা পোৎলমশিংদা নত্তনা ফি–রোল, প্লাষ্টিক পোৎলম অমসুং য়ুমদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং লৌমী মশানা অমসুং ইন্দষ্ট্রি মপুনা কৈথেল শেমদুনা য়োনবা ঙম্বা নত্তে। ইন্দষ্ট্রি খরদি মশাগী শিন্মী–থৌমীশিং থমদুনা পোৎলমশিংবু কৈথেল য়ৌহন্নবা হোৎনবদি লৈ অদুবু মশাগী পোৎলমশিংবু কৈথেন্দা য়োলহনবদি পাক ঙম্বা নত্তে। অসুম্না, হোকরশিং য়াওনা পোৎফম ফম্বশিংনা মমল য়ামখ্রবা মীয়ামগী ওইবা থবক তৌজদুনা লৌউ–শিংউ, শেন্মিৎলোন অমসুং খুৎ–শা হৈবগী থবকপু য়াম্না চাং নাইনা য়োকখৎলিবনি।

অসিগুম্বা পোৎলমশিং হায়বদি তগৎ তগৎ তেকপা চীঞ্জাকশিং অমসুং থোংদুনা মুল্লবা অহাওবশিং অমদি ইমুংদা শীজিন্ননবা পোৎলমশিংবু অহোঙবা মমলদা য়োল্লিবা অসিনা লায়রবা মীয়ামগী উপাই য়াম্না ওইরিবনি। মরম অসিনা লায়রবশিংগী কাঙবু অমনা অতোপ্পা লায়রবগী কাঙবু অমদা মখোয়গী অপাম্বা পোৎলমশিং অদু হন্থবা মমলদা ফংহনবগী খুদোংচাবা পীবনি, মসি ষ্টেট লৈঙাকশিংনা তৌফম থোকপা থবক্লি। লাইবক থীবদি, অসিগুম্বা তৌফম থোকপশিংবু ষ্টেট লৈঙাক্লা কয়া শকখঙবীবা তৌদ্রিবসিনি। মদুগী মহুত্তা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংবু চৎন–পথাপ (লো) না অয়াবা পীদনা চঙলকপা লম খোপ্পশিং ওইনা লৌবগুম তৌরি।

মসিৱাইদা য়েংখৎফম থোক্লিবসি বিলগী মরুওইবা শীঙ্গক হায়বদি, টাউন ভেন্দিং কম্মিটিনা লোকেলগী থাক্কী খ্বায়দগী মরুওইবা থৌদাং লৌহনবা অসিনি। পোৎফমগী সার্টিফিকেট পীবা, ফম্ফম পীবগী অশুপ্পা থৌদাং লৌবা অমসুং পোৎফমশিংদগী অফা মল (টেক্স) লৌখৎপা অমদি য়ুম্বুরেল ওইনা অতৈ থৌদাং কয়া কম্মিটি অসিনা থৌপুরি। লোকেল বোডিগী ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নার–চীফ ইগজিকু্যটিব ওফিসারনা কম্মিটিগী চিয়ারপার্সন ওইহল্লি। কম্মিটি অসি শেম্বদা চাদ ৪০ ষ্ট্রিট ভেন্দর মীহুৎ, সিবিল সোসাইটি (এনজিও অমসুং বিবিওশিং) মীহুশিংগী চাদ ১০ ওইরি। লেমহৌরিবা চাদ ৫০ অদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হায়বদি, পুলিস, ট্রাফিক পুলিস, ম্যুনিসিপাল ওথোরিটি অসিনচিংবদগীনি। মসিনা য়েংখৎফম থোকপদি, ষ্ট্রিট ভেন্দরগী মীহুশিংনা অচৌবা মফম কনবা মরম্না মখোয়গী অনিংবা অপাম্বশিং ফোঙদোকচনবগী অচৌবা মফম পীগদবনি। হৌজিক ফাওবগীদি মণিপুরনচিংবা ষ্টেট খরনা ষ্ট্রিট ভেন্দির কম্মিটি শেম্বীদ্রি অদুগা হান্না শেমখ্রবা ষ্টেটশিংনা কম্মিটিগী ফিরেপ লৌহনবদা লোকেল ওথোরিটিশিং নৎত্রগা ষ্টেট লৈঙাক্লা অদুম মনীং তম্না লৌদুনা লৈরি।

টিভিসি (টাউন ভেন্দিং কম্মিটি) গী অহানবা থৌদাংদি হৌজিক ওইরিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী ফীবম য়েংশিনবা (সর্বে) অসিনি (সেক্সন–৩)। টিভিসিনা হৌজিক লৈরিবা ভেন্দরশিং অসি লম্বী নাকলগী খোঙ লম্বী (পেভমেন্ট)শিংদা নৎত্রগা, মসিগীদমক্তা খাক্তুনা থল্লবা মফমশিংদা শোয়দনা পুনশিলহনগদবনি। ফীবম য়েংশিনবা (সর্বে) অসি লোয়দ্রিবা ফাওবা কনাগুম্বা পোৎ য়োনবা অমসুং নমদুনা তাম্হোকপিরোইদবনি। সর্বে অদুদা ফংবা পোৎফম ফম্বশিংদা টিভিসিনা 'ভেন্দিং সার্টিফিকেট' পীথোক্কদবনি (সেক্সন –৪)। অসুম্না টিভিসিনা শক খঙদুনা লাইসেন্স পায়রবা ভেন্দরশিংনা লাইসেন্সকী মতম লোয়দ্রিবা ফাওবা চখবগী হক লৈগনি অমসুং মদুগী মতুংদা ফাওবা সার্টিফিকেট ফংহনবগী হক পীরি।

করিগুম্বদা সর্বে লোয়খ্রবা মতুংদা, কনাগুম্বা অমনা পোৎফম ফম্বা পান্নবদি, মদু টিভিসিদা হায়জগদবনি। করিগুম্বদা অহাঙবা মফম লৈরবদি, টিভিসিনা সার্টিফিকেট পীগদবনি। করিগুম্বদা ভেন্দর মশিংনা লৈরিবা মফমদুগী পাক–চাওবা অমসুং ফম্ফম মশিংদগী হেনখ্রবদি, অপুনবা ভেন্দরশিং অদু 'দ্রো' চখদুনা লাইবক য়েংহনগদবনি। অদুগা লেমহৌরিবা ভেন্দরশিং অদু অতৈ নক্লবা মফমশিংদা ফমহন্নবা হোৎনগনি।

বিল অসিগী সেক্সন ৫ গী মতুংইন্না, সার্টিফিকেট ফংলবা মীশক অমনা পোৎফম ফম্বগী হক ফংলে। অদুবু মীশক অদু অতোপ্পা চাগা লাকফম লৈতবা ওইগদবনি অমসুং য়ামদ্রবদা চহি ১৪ শুবা মীওই ওইগদবনি। হায়রিবা সার্টিফিকেট অদু অতোপ্পা ভেন্দর অমদা ভেন্দর অমনা পীবা য়াদে। অদুবু করিগুম্বদা ভেন্দর অদু নারবদি নৎত্রগা হকচাংগী ফীবম অশোয়বা লৈদুনা পোৎফম ফম্বা ঙমদ্রবদি মহাক্কী মপুরোইবা–লোয়নবী নৎত্রগা মচাশিং (চীলদ্রেন) না পোৎফম ফম্বগী অয়াবা পীরি। ৱাফম অসি মরু ওইবা অমনি মরমদি, হাঙলিবা পোৎফম অদু শেল পীশিন্নরগা অতৈনা চঙলকপা য়াহন্দ্রি।

অতোপ্পা মরুওইবা ৱাফম অমনা, লান্না তৌবা ভেন্দরশিং তাম্হোকপা অমসুং লম্থুম মৎপীবা অসিনি। ম্যুনিসিপাল ওথোরিটিশিংনা লাক্লগা মৎপীখ্রবা ভেন্দরশিংনা লায়র তাল্লকই। ৱাকোংশেল (ফাইন) অদুসু য়াম্না য়াম্মী, অয়াম্বা মতমদা লুকমায়দা য়াওরিবা পোৎকী মমলদগী হেল্লি। খুদম ওইনা মুম্বাইদা খুৎনা ইনবা ঠেলা গাড়ী অমগী ৱাকোংশেল লুপা ১৭০০০ ওইরি। কনাগুম্বা ষ্ট্রিট ভেন্দরনা কন্না ঙাঙনদুনা লল্লোনপোৎ হল্লকপা তারবসু, পোৎ তংখায় অমদি অদুম্মক মাঙবগী ফীবমদা লৈ। সেক্সন ৫ গী মতুংইন্না, পোৎফম মৎপা (ইভিক্সন) অসিনা অরোইবা চৈরাক–খোঙথাং ওইগদবনি। করিগুম্বদা মরমচাবা ৱাফম লৈদুনা মফম অদুমক্তদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী মফম পীবা তারবসু, অতোপ্পা মফম অমদা মখোয়গী মফম পীগদবনি। অদুগা করিগুম্বা লান্না তৌবা ভেন্দরশিংনা মফম থাদোকউ য়াদ্রবদি, অকক্লবা মতম পীগদবনি। মসিদা য়াদ্রবদি, নোংমদা লুপা ২৫০ শেল কোংহনগনি। মসিদা ফাওবা য়াদ্রবদি, ওথোরিটিনা নমদুনা তাম্হোকপা য়াই। তৌবদবু 'সিজর লিষ্ট' ভেন্দরশিংদা পীরমগদবনি।

ভেন্দরশিংবু শকখঙবদা অমসুং চৎন–পথাপ শেম্বদা টিভিসিনা খ্বায়দগী অশুপ্পা ওথোরিটি ওইরবসু, অৱাবা তারবশিং কোকহন্নবা থৌরাং (গ্রিভান্স রিদ্রেসেল) লৈরি। সেক্সন ২০ মতুংইন্না, সহর খুদিংমক্লা গ্রিভান্স রিদ্রেসেল কম্মিটি অমমম লৈগনি, মদুদা হান্নগী সিবিল জজ নৎত্রগা জুডিসিয়েল মেজিষ্ট্রেটনা লুচিংগনি।

পোৎফম তাম্হোকপা (ইভিক্সন) গী মরীদা পুলিসকী পাঙ্গল য়াম্না লৈ। ইন্দিয়ান পুলিস এক্ট, সেক্সন ৩৪ গী মতুং ইন্না, কনাগুম্বা অমনা মফম চাদনা ফোংনা পোৎ য়োনবা পোৎফম অদু পুলিসনা লৌথোকপা ঙম্মী। ষ্টেট খুদিংমক্লা ক্লোজ অসি পুলিস এক্টতা হাপচিল্লি। মসিনা তাকপদি, লোকেল ওথোরিটিনা অকক্লবা সহর লম্বীদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংবু ফমহনবগী অয়াবা পীরবসু, পুলিসনা সেক্সন ৩৪ গী মখাদা তাম্হোকপা ঙম্মী। অদুবু ষ্ট্রিট ভেন্দর্স (পিএলআরএসভি) এক্ট ২০১৩ গী সেক্সন ২৭ কী মতুংইন্না, অকক্লবা মফমশিংদা সার্টিফিকেট ফংলবা ভেন্দরশিংবু কনাগুম্বা অমা নৎত্রগা পুলিসনা অথিংবা পীবা য়ারোই। মসিদগী পুলিস এক্টকি ক্লোজ ৩৪ অসি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা চৎনহনখ্রে। লোয়ননা, সহর লমগী পোৎফম ফম্বশিং মরী লৈনবা অতৈ–চৎন–পথাপশিং অমসুং চৎন কাঙলোনশিং পূম্বগী মথক থোংনা ষ্ট্রিট ভেন্দর্স (পিএলআরএসভি) এক্ট ২০১৩ না লৈরগনি। মসিদা নত্তনা, সোসিয়েল সেক্যুরিটি, ইন্স্যুরেন্স, শেলগী তেংবাং অমসুং য়াইফ থৌরাংশিংগী খুদোংচাবা পীবগা লোয়ননা মশাগী হকশিং মশক খঙনবা 'কেপসিটি বীল্ডিং প্রোগ্রাম' চখনবা ষ্টেট লৈঙাকশিংদা পাউতাক পীরি।

# শাদগীসু তোম্বরিবা মীওইবা

**কোংখাম রাথো**

উত্তা ঘী হৈবা হায়বা ইপা–ইপুগী ৱাদুনি হন্দক খুথিন ফজখিবা দিঙ্কুনা শান্নরোই নুপী মচা অমদা চখখিবা থৌওংদু।

ঙসিগী ওঝা–ছাত্রনা লিচৎ হোংলক্লিবসি সমাজগীদি অফবা খুদম নত্তে। মী অমবু ফৈ–ফত্তে খঙনরিবসি মাগী তৌথোরকপা থবক্লা তাকই। মচিং লৈতবা মী লৈতে। মচিংনা মা–মাগী লাইবক–পুন্সি শোমই, মচিং হায়বসি মীদুগী চীঞ্জাক্লা য়াম্নমক মরী লৈ। শা য়াম্না চাবা মীদি শাগী লিচৎ নোংমতা ওইরবসু ফুদোক্তনা তোক্তে। শা চামিন্নরবা ওঝা–ছাত্র অনিমক শা ওইমিন্নগনি।

হায়হৈদবা–তৌহৈদবা কয়া ইরায়–লায়না তৌরকই। মীওইবনা অহিংবা হকচাং শেম্নবগী চীঞ্জাক চানরি অদুগা অহিংবা থৱায় ওইনবগী চীঞ্জাক্তি খক চানদে, চানিংলুবসু ফাউদে। অশিবা থৱায় পুদুনা চৎলিবা মীওইবনা মালেম মীৎমাংদা উহৈদবা থবক কয়া পাংথোক্লরি। মালেমগী অফাওবা মাইক তাইসন হায়বরা অমসু মওং তাদবা থৌওং উৎখ্রবনি। অশিবা হকচাংগীদমক অফবা চীঞ্জাক খন্দুনা চাখিবা মীওইবা অদুক হক্লা শিংবা মীদি নত্তবা জাৎনি।

শিবা নাইদবা থৱায়নি হায়নবদু য়াম্না লানবা লৈরি। অফবা গুণ–লৌশিংনা থৱায়গী চীঞ্জাক ওইহন্দ্রবদি মীদুমক হিংন–শিরবা কৌবা য়াই। শাদি অফ–ফত্ত খন্থবা ঙমদে। মাবু চারুবা মীদুসু মাগী লিচৎ উৎলি। ছাত্রি ওইরিবা শান্নরোই অদুসু শা য়াম্না চারমগনি অদুগীনি অমোৎপা উফুল মথক্তা ওঝা দিঙ্কু হায়দুনা থারুরিবা। অরেম্বা থবক্তি খক তৌরোই। অদু খঙবগী ঐদি ইচা লৈশেম্ববু শা খক পীজদে। মীয়াম্নদি ঐবু অপঙ–অঙাওগী লায়না নারবা মীগুম খনবী।

ঐ শা উদে মরমদি মখোয়না খল্লিবা ৱাখলদুমক মখোয়না চাখিবা চীঞ্জাক্তগী ওইরকপনি। মখোয়দা মরাল পীশিল্লবা পামদে। মরমদি ঐ হকচাং পাজে। মখোয়গী অচৌবা খুৎতুমগী মমিৎনা ঐঙোন্দা য়েংলক্লবদি ঐ মাংজবা লৈগনি। অমুকসু কিরুদে, থৌনা ফরিবা থৱায়সিনদি কন্না ফোংনিংই মদুদি দিঙ্কুসু মরাল লৈরবনিনা মাগী মমিংদা থোল্লুবা লম্বী অদুসু অদুম্মক উফুলদা তিন্দুনা মাংহনখ্রে। হৌরক্লিবা নৎত্রগা হৌজিক লৈরিবা ওঝাশিংদা মাগী থৌদোক অসিনা অচৌবা প্যাডা ওইহৌরসনু। ছাত্র–ছাত্রি মথোং হুক্তবি নৎত্রগা হুক্তবশিংসু শোক্লবী ছাত্রিদুগী চৈফমশিংনা অনৌবা প্যাডা তম্বীরসনু। তাবদা ইকায় হঙ্গোয়বা ফাওবা পাউসিগী থৌওংশিং পীকখ্রবা ইরমদমসিদা লিক্লা থোকপদু ওইরসনু। শুংথোক থোক্তবদুমক য়ারগদি শিনবিরো।

পীক্লিঙৈদা অঙাংশিংবু নুংশিনা নাউয়োক নাউকোনহৌদ্রবদি চাউরবা মতমদা মাগী থম্মোয়দা মীনুংশিগী মমি তাবা ঙমদে। ঐদি লাইরৈ–লৈতে হায়দুনা মীনমদুনা ইচা লৈশেম্ববু মীয়ামদা য়োকহন–শেমহল্লোই। হোয় ঐসু মীগী মচা কয়া য়োক–থাকখি, পুন্সি শেমখি। অদুবু ঐদি মখোয়গুম তৌজরোই। থায়নগী ওঝা–গুরু মাংখ্রবা মতমসিদা ইচাবু ওঝাদা অমুক শিন্নবা ঐ ঙমজরোই। ঐগী নাক্তা ঙসিসু অফবা ছাত্র লৈরি। মখোয়দি ঐগী ইচাগুম খনখিবনা অকায়বা লৈতে।

খঙদেকো ঐগী খুৎইসি পারুরবা মমা–মপানা হয়েংমক মচা লৌথোকপা লাকপসু। দিঙ্কুনা ওঝা ওইবা মফমদা ইচাবু খক থমদুনা তমহল্লোই হায়বসি অরাইবা ৱাফম নত্তে। চাওনা মায় পাকখ্রবা মীশক অমনা হন্দক চাউনা মাইথিখিবসিগী মরম লৈতবা য়ারোই। ঐ মশক খঙদবা মীপুম খুদিংমক মাইথিবা নংই। নাপলনা হেনমল্লসু মায়থি। ঐখোয়না করিদবু পুন্সিদা নাপল কানিংঙাই লৈরি। ঐগী মিংদা থোনখ্রবা লম্বী অমগী চীংদায়দা ঐনবু অপীকপা পাম্বী মচা অমবু থাখ্রবরা? ঐনা ঐবু নুংশিবা ঙমদ্রবদা অতোপ্পা কনাবু নুংশিফম থোকপগে? ঐ মশক খঙউ হায়বসিগী ৱাহম্হোক খঙবা ঙমদনা লৈরিবা মীওই ঙাক্তনি।

দিঙ্কুগী অপোকপীনা মচাগী মায় পাকপদা শিল্হখিবা পীরংদু ঙসিদি গুমভিরগী মপী হায়বদু তারেদনা। মহাক নুপী নত্তে, নুপী হায়বদুদি নুপীগী চৈনা–চৈথেং খঙবিগদবনি। মমাংমক্তদা ওন–থোইনা খাংলিবী মচানুপীগুম্বী অমদা মীনুংশিগী মীৎয়েং থম্বগী মহুত্তা থুম তোৎলবা চীনবানগী ৱাহৈশিংনা তিল্লাংগা লোয়ননা শিৎচিনবীরম্বশিংদুদি অফবী মমা অমগী শক্তম নত্তে। শেবোক্তা শেবোৎ পাল্লি হায়বদু হন্দক ইমিৎসিনা তশেংনা উজরে।

লিলা–সিনেমাদা উখিবা মমা–শাবী ইবেনি মচাবু মী ওইনবা হোৎনবদা ওইদ–পাদ কয়া তৌখি। মাগী মচাদি পারিক্ষাদা নৎত্রগা পুন্সিদা মায় পাকখি। অরোইবদা মচাদু কৈদৌরকখি হায়বদুদি অইবনা উখোক্তে। উৎলম্বা তারবদি মচাদু লৈবাকসিগী অচৌবা হুরানবা অমা ওইরক্লম্বসু য়াই। ঙম্ন–ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসিদা অশোইবা অরানবা কয়া য়াওরি। মসিমদি ইচম চমবা মীৎনদি উবা ঙল্লোই। তাহৈ–উহৈদবা থৌদোক–ৱাথোক কয়া থোক্লি সমাজসিদা। মসিবু লিলা সিনেমাদগী লৌরকপা লায়না অমরা নৎত্রগা সমাজসিদগী মমিদু লৌদুনা সিনেমা–লিলাদা উৎলিব্রা, ভাব তাদে। মী অমা শিবদা মী অমা ইন্নবা হায়বসি লেমজনিংঙাই ওইদে। তৌগে হায়রগনা সতী সাবিত্রিগুম নিঙাই কনবা চংই। মদুসু কোক্লা শান্নগদবা লিলানি। কোক য়াওদবা মীওইবনা ঙসিদি কোৎ–শুট তাই তৌদুনা অৱাংবা পুন্সি তান্নরি।

ওঝাগী মফমদা মহৈরোইশিংবু মশামক্তুম নুংশিগদবনি। অদুগা মহৈরোয়শিংনসু ওঝাবু অনিশুবা লাই–গুরুগুম থৌজাল উৎফম থোকই। ঙসিদি অসিগুম্বা ওঝা–ছাত্র হায়বদু হিদাক তৌগে থিবদা ফংদে হায়বদু থোক্লি। শেল ফংনবা ওঝানা থবক তৌরি, ওঝাগী মায়খুম উপলি অদুগা তলব চানবসু ছাত্রনা লাইরিকপু কোইতানা তান্নরি। নোংঙানদ্রিঙৈদগী, লৈচিলগী অমম্বা মরক্তা ওঝাগী নাক্তা চৎলি, ওঝাসু তাৎ তৌদুনা শাশিন্নবা মঙাল থান্দুনা অমম্বা লাইরিক তাকপিরি। মপাশিংসু ওঝাদুগী থোঙ্গালদা মৈখু থক্তুনা অইংবা খাংলি, মচা থোরকপা ঙাইরি।

ফজরবা কুম্মৈ ঙাক্তনি, ঐদি শেল তিংনা সিনেমা–লিলা য়েংবা পামদ্রে। লৈবাকসিদা উৎলিবা ইমুংগী ৱারী, সরকারগী থৌওংনা অদুমক ইফমদদি কুম্মৈ হায়বদু ওইদুনা লৈরে। মমৈদদি ঐ মীৎ নারক্তুনা উমংলোমদা, হোৎচিনখদ্রা চিংনরকই।

ঐখোয় য়োংদগী ওল্লকই হায়বদু চুমদৌ মাল্লি, কুইর–কুইর ইশক্কসে য়োংগী শকওং মাল্লকই। ইনমগসে পোন্তক তৌরকই। খঙদে ঐখোয় শাদগী ওল্লকপনরা শাগী শাজৎতি তোইখৎনরক্লি। ঐনা উমংদা হোৎচিন্নিংলিসিদি ঐগী ৱাখলদা শা ওল্লকপগী নত্তে, শাদগী হেন্না তম্থিরক্লিবা মীওইবগী শক্তম উনিংলক্তবদগীনি। মীওইবগা মরুপ ওইদৌ শরুক লম্লক্কি শাগা তিন্নরগা শর্কাসতা পুথোক্তুনা শেল তাল্লশিরা খল্লকই। শমুগী লিচৎ তম্বা ঙমদ্রিবা মীওইবনা, অচৌবা শাবু খুদুম চনবা ঙম্লে হায়দুনা পোংজ–চাউজরি। নাপল কারি। অদুগী ফলনা চহি য়াম্লবা অহলনা মশুনুপীগুম্বা অঙাংদা ঙসিসু কারল তাবা লেপত্রি। ঐখোয়সে মীওইবা ওইনা হিংদুনা লৈবা ঙমদ্রে, খাঙবা ৱারে ঐখোয়গী শাজৎ।

হে শ্বর! ঐখোয়বু য়োংদমুক হঞ্জিলহনবিরো, য়েংদগী ওল্লকপা ওইরবদি...।